**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (কোসেম) না লৌবা হয়ার সেকেন্দরি ইকজামিনেসন ২০২৫ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৪ ওইরে।

২) কোসেমগী হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসনগী ফলদা ষ্ট্রিম অহুম্মক্তা নুপীনা টোপ্পর ওইরে।

৩) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি- ওজাশিংনা মহৈরোইশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তন্বীবনা মখোয়গী মথৌদাংনি খনগদবনি। সরকারনসু মসিগীদমক পীবা য়াবা মতেং পীগনি।

৪) মালেমগী মেলারিয়া নুমিৎ ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোকখি।
অমসুং

৫) পহলগাম থৌদোক্কী মতুংদা পাকিস্তানগী মীওইশিংদা ভিজা পিবা থিংজিনখ্রবা তুংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা লৈবাক অসিগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

------

রিজল্ট (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (কোসেম) না লৌবা হয়ার সেকেন্দরি ইকজামিনেসন ২০২৫ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৪ ওইরে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা কোসেম ওফিসতা পারিক্ষাগী ফল অদু এদুকেসন (এস)কী সেক্রেটরি এন. প্রবিন্না লাউথোক্লদুনা হায়- কুমশি চহিগী ওইনা পরিক্ষা অসিদা আর্টস ষ্ট্রিমদা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯০.১২ ওইখি, সাইন্স ষ্ট্রিমদনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৫.৪৫ অদুগা কম্মর্স ষ্ট্রিমদনা চাদা ৯২.০৬ ওইখি।

পরিক্ষা অসিদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই লিশিং ২০,৮৪৮, আর্টস ষ্ট্রিমদা মহৈরোই লিশিং ৭,৫৩২ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৫২৯ পুন্না মহৈরোই লিশিং ২৮,৯০৯ পরিক্ষা থাখি। পরিক্ষা অসিদা ফার্ষ্ট দিভিজনদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ১৪,৫২২, সেকেন্দ দিভিজনদা মহৈরোই লিশিং ১০,৯০৫, থার্দ দিভিজনদা মহৈরোই লিশিং ১,৭২৩ অমসুং মহৈরোই ২৫ পাস তৌখি। পুন্না মহৈরোই লিশিং ২৭,১৭৫ পরিক্ষা পাস তৌখি।

মমাং চহিদা পাঙথোকখিবা পরিক্ষাগা য়েংনরুবদা কুমশি চহিনা পাস তৌবগী চাং হন্থরে।

টোপ্পর (এল)ঃ কাউন্সিলনা লৌবি ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষা অসিগী ঙসি লাউথোকখিবা ফলদা আর্টস, সাইন্স অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিম অহুম্মক্কী ফার্ষ্ট পোজিসন মহৈরোই নুপীমচাশিংনা তাখ্রে।

পারিক্ষা অসিগী আর্টস ষ্ট্রিমদা ইনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরিগী স্কুল শঙাকফমগী কৈশাম হননা দেবীনা অহানবা তারে। মহাক য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা অৱাং লৈকাইদগীনি। অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগা ৱারী শান্নবদা কৈশাম হননা দেবীনা হায়- মহৈরোইশিংনা তৌগে খনবা অফবা থবকশিং থিন্থবা লৈতননা পায়খৎপনা মায় পাকবগী লম্বীদা অচৌবা মতেং পাংই।

সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা অহানবা পোজিসন ফংখিবী রিয়া খ্বাইরকপম অসি চঙাংগৈ-উচেক্কোনদা লৈবা কোমেট স্কুলগী মহৈরোইনি। মহাক বিষ্ণুপুর জিলাগী ইথায় বজারদগীনি। অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগা ৱারী শান্নবদা মহাকা ডোক্তর অমা ওইদুনা মীয়ামগী সেবা তৌবা পাম্মী হায়না ফোংদোরকখি।

টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদগী ৱারেপ্পম লিদিয়া দেবীনা পরিক্ষা অসিগী কম্মর্স ষ্ট্রিমদা অহানবা পোজিসন লৌখ্রে। হন্দক চহিগী পরিক্ষাগী ফলদা ষ্ট্রিম অহুম্মক্তা নুপীনা টোপ্পর ওইবগী মনুংদা লিদিয়ানা সরকারগী স্কুলগী মহৈরোইনি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি- ওজাশিংনা মহৈরোইশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তন্বীবনা মখোয়গী মথৌদাংনি খনগদবনি। সরকারনসু মসিগীদমক পীবা য়াবা মতেং পীগনি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিদা নৌনা শাবা ফমুং ১০০ লৈবা সেদ্যুল কাষ্ট নুপীমচাশিংগী ওইবা হোষ্টেল অমা ঙসি শঙ্গারবা তুংদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ ব্লোকতা পাঙথোকপা মীফম অমদা রাজ্যপালনা হায়- য়ুনিভর্সিতি অসিনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং পীবদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইগদবা মহৈরোইশিংবু অফবা লন্বীদা পুরকবা হোৎনগদবনি। মীফম অদুদা এমাদমিক অমসুং এদমিনিষ্ট্রেতিভ ফঙ্কসনগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি। নৌনা শঙ্গারবা হোষ্টেল অসিনা সেদ্যুল কাষ্ট নুপী মহৈরোইশিংদা মহৈ মশিং তম্বদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। হোষ্টেল অসি মনিপুর ও.বি.সি. এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী মখাদা শাবনি। তুংদা, রাজ্যপালনা য়ুনিভরসিতি অসিগী সাইন্স লেবোরেটোরি অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংসু য়েংশিনখি।

থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার ডব্লিয়ু. চান্দবাবু সিংহ, হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসনগী কম্মিস্নার-ঐচ. গ্যান প্রকাশ অমদি য়ুনিভরসিতি অসিগী ওফিসিএলশিংস্ শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাইদা ভারত লান্মী অমসুং মণিপুর পুলিস কম্মান্দোনা অপুনবা কাংবুনা ঙসি অয়ুক থি হুম্বগী থবক চথুব চথুবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক্কী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা

মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে ভারত লান্মীগী চেরোল অমনা হায়রি।

মেলারিয়াঃ মালেমগী মেলারিয়া নুমিৎ ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা মেলারিয়াদগী ঙাকথোকবা অমসুং মুত্থৎনবা পান্দমদা চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাকপনি। কুমশি চহিগী হীরমনা-‘মেলারিয়া এন্দস ৱিথ অজ রি ইনভেষ্ট, রিইমাজিন, রি ইগনাইট’ হায়বনি।

হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিং, এন.জি.ওশিং, লায়না অসি থেংনবদা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং, মসিনা লৈখিদ্রবাশিংবু নীংশিংবা অমদি লায়না অসি হন্থহন্নবা পালন থৌরম অসি পাঙথোকনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ শলাম প্রিয়োকুমারনা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুদা হায়- পালন থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি- মেলেরিয়া হায়বা লায়না অসি মালেমদা লৈরি অমসুং মসিবু মুত্থৎনবা, লাকশিন্নবা হোৎনবদা সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তুমুখোংগী কম্যুনিতি হোলদা ভারত লান্মী অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী হকশেল বিভাগনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১৫০ রোম লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

ববিনা (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবৈশোইদা লৈবা আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট, ববিনা স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতালনা শিন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা লেমা কেন্সর স্ক্রিনিং তৌবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা পুন্না মীওই ২০৪ স্ক্রিনিং তৌখি অমসুং হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

বন্দ (এল)ঃ জদিসিএল কষ্টদিদা লৈখিদবনি হায়বা খুরাইদগী খোইস্নাম সনাজাউবগী মীশিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোকবা দাবী তৌদুনা জে.এ.সি. এগেনষ্ট দা কষ্টদিয়ান দেদ ওফ খোইস্নাম সনাজাউবনা কৌবা পুং ২৪ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক চখরি। জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসিনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীরি। হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী কৌখিবা পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোইশিনগনি। লম্বীদা গাড়ি চেনবগী চাং নেমখি। দুকানশিং থোঙ হাংবা অমদি কৈথেল ফম্বগী চাং হন্থখি।

থৌবাল জিলাদসু মরুওইবা কৈথেল অমদি দুকানশিং ফমখিদে অমদি পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেনবগী চাং হন্থখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈতে।

বন্দ অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ সব সেক্সন (টু) গী মখাদা অথিংবা থম্লি। মরক অসিদা, পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

কোংবা (এল)ঃ খুন্দ্রাকপম জিলা পরিষদ অমদি মসিগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী মেম্বরশিং, অকোইবগী মীয়ামা কোংবা তুরেল তেংবগা লোয়ননা তুরেল মরীল লুথহনখ্রে। থবক অসি সোসিয়েল ৱার্কর নোংথোম্বম রাজেন্দ্রোগী মতেংগা লোয়ননা পায়খৎপনি। থা অনি হেন্না তুরেল মরীল শেংবা অমদি খোংনুং লুথহনবগী থবক চখ্রবা মতুং ঙসি থবক অসি লোইশিনবগা লোয়ননা মীয়ামদা কোংবু তুরেলবু নিংথিনা মখা তানা লু-নান্না থমনবা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। খুন্দ্রাকপম অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা খুলশিংগী লৌকোলশিংদা কোংবা তুরেল ঈশিং চাউবা মতমদা লৌফম কয়া অমাং অতা থোকপা অদু ফননবা কোংবা মরী তেংবগী থবক অসি চখ্বনি।

অমুকো (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নিউ কৈথেল মানবীদা নোংমগী ওইবা হুই-হৌদোংশিং এন্তি রেবিস হিদাক কাপথোকখ্রে। থৌরম অদু ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ু.ৱাই.সি নিউ কৈথেল মানবী অমদি ভেটেরিনারি ওফিসনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা হুই-হৌদোং পুন্না ১২০ লোম হিদাক কাপথোকখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- হয়েং ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম খরদা অখাক অরাউ য়াওনা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই। হায়রিবা ফিভম অসি তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোক, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম অমদি নোনে জিলাশিংদসু মায়োকগনি।

সাহ্ ঃ পহলগাম থৌদোক্কী মতুংদা পাকিস্তানগী মীওইশিংদা ভিজা পিবা থিংজিনখ্রবা তুংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্না লৈবাক অসিগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা ৱারী শান্নখ্রে। শ্রী সাহ্না মখোয় মখোয়গী রাজ্যশিংদা লৈরিবা পাকিস্তানগী মীওইশিং মশক খঙদোকবা পাউতাক পীখ্রে।

পাউ খরনা হায়- গৃহ মন্ত্রিনা মুখ্য মন্ত্রিশিংদা পাকিস্তান মচাশিংবু মখোয়গী মরমদা অশোই অঙাম য়াওদনা হলহনখিনবা খোঙথাং অথুবা মতমদা লৌখৎকদবনি। গৃহ মন্ত্রিনা নিউ দিল্লিদা ঙসি ইন্দস ৱাটর ত্রিতিগী মতাংদা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। মসিদা জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিল অমসুং সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি। পহলগাম থৌদোক্কা মরী লৈননা ভারতনা ইন্দস ৱাটর ত্রিতি চৎনহনখিদ্রবনি।

ভারতনা পাকিস্তানগী মীওইশিংদা ভিজা পীবা খুদক্তগী থিংজিনখ্রে, হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা ভিজাশিংসু থা অসিগী ২৭ তগী চৎনররোই হায়রি। অমরোমদা, মেদিকেল ভিজাশিংসু থা অসিগী ২৯ ফাওবদমক চৎনগনি হায়রি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- ভারত্তা হৌজিক লৈরিবা পাকিস্তান মচাশিং অথুবা মতমদা ভারত থাদোক্তুনা চৎনবা পাউতাক পীখ্রে।

পাকিস্তানদা লৈবা ভারত মচাশিংসু অথুবা মতমদা হল্লকবা হায়খ্রে।

দ্বিবেদি ঃ লান্মীগী মকোক জেনেরেল দ্বিবেদি পহলগামগী থৌদোক য়েংশিন্নবা ঙসি শ্রীনাগরদা থুংখ্রে। শ্রী দ্বিবেদি শ্রীনাগরগী চিনার ক্রোপসকী লান্মীগী জেনেরেল ওফিসার কম্মান্দিংগা উন্নদুনা মফম অদুগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে অমসুং মখোয়না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু পাউদমখ্রে। ঙমখৈ পরিংদা পাকিস্তান লান্মীশিংনা সিজ ফয়ার থুগাইনবা হোৎনবা অমদি পাকিস্তানগী তেরোরিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকবা হোৎনবশিংগী মতাংদসু লুচিংবা অনিনা কুপা খন্নখি।

শ্রী দ্বিবেদি অনন্টনাগ জিলাগী বাইসারন খুলগী উমংদা লৈবাক পহলগামদসু চৎলবা য়াই হায়রি।

মরক অসিদা, অকাশবানি পাউমীনা হায়- পাকিস্তান লান্মীশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী ঙমখৈ পরিংদা সিজ ফয়ার থুগাইরকপগী ৱাফম কয়াসু লৈ। পাকিস্তান লান্মীশিং কুপৱারা জিলাগী নাউগামগী মফম কয়াদা সিজ ফয়ার থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক লৈ। রাজোরি অমসুং পুন্স লমদমদসু ঙরাং নুমিদাং সিজ ফয়ার থুগাইরকখি হায়রি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২১ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৭ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থোরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি থা অসিগী ২৭ কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ফুটবোল (এল)ঃ টকৱা ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি তেন্থাগী মল্টিপ্লেক্স প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ভি.এ ৱাংজি অমসুং থৌবাল এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ.সি তেন্থানা য়ু.জি.সি লৈশাংথেমবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। ট্রোফি অসিদা পুন্না টিম ৪০ না শরুক য়ারি।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সেক্তাদা চথরিবা তরুকশুবা সেক্তা ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.দব্লিউ.ও সেক্তানা ঐচ.ৱাই.দি.সি হুইদ্রোমবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা এস.দি.সি টাইগর কেম্প অমদি বি.এস.য়ু নোংপোক ককচিং পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দো ওইখি, লল্লাই এফ.সি অমসুং ৱাংগোই এফ.সিসু পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী মেটচশিং থা অসিগী ৩০ দগী মখা তানা শান্নবা হৌরগনি হায়রি। মেটচশিং অসি লম্লোং থোংখোঙগী আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথবনি। অদুবু আই.এফ.এফ-ফিফা একাদমিগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন লৈবনা মরম ওইদুনা মেটচশিং অসি য়েথোকখিবনি হায়না অম্ফাগী জেনেরেল সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী থা অসিগী ২৭ তগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা হৌরগনি হায়রি। অহৌবা নুমিৎতা রাওগা অমোফাগা শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ আই.পি.এল. ক্রিকেট মেটচতা, চেন্নাই সুপর কিংসকা সন রাইজরস হায়দ্রবাদকা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা চেন্নাইগী এম.এ. চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। টিম অনিমক পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মখাদা লৈরি। মখোয় মেটচ ৮-৮ শান্নখিবা শুপতগী মেটচ অনি অনি খক্তমক থোইবা ঙমখি।

------